HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দসিপ ওর্গনাইজেশন (য়ু এফ ও) না নোংপোক মায়কৈ ঙাক্লবা লিংবা নোংপোক পানা তেঙ্গোল লাকপা লোয়শঙনা ইথম মোইরাং পুরেলদা লৈবা চীংঙু পাঙ্গনবা খুভম শঙ্গাবগী লাইগী পোৎ তস্বা

থম্মোয় পাউদম : অনৌবা লৈঙাক-খূৎপু অমগী ... লামায় ২
লামায় ৪ স্পেসতা থা ৯ লোম লৈরুবদা ঐখোয়গী হকচাংদা ...
"মণিপুরগী লাইবক করি ওইগদৌরিবগে" লামায় ৫
লামায় ৬ মণিপুরগী চাক্লিবা মৈ হৌজিক ফাওবা মুৎপা লৈত্রি...
লৈবাক অসিগী এদ্যুকেশন সিষ্টেমবু এন ঈ পিনা... লামায় ৯
লামায় ১২ ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট : এ আর ৱিমেন...

ককৱা অসেম লৈকায়দা লৈবা মহৈকোলদা মায়চৌ খোংনাংথাবা মহৈকোলগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা চহীগী মনা য়েন্থোকপা থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 49, Issue No. 008 | য়ুমশকৈশা, শজিবু ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, April 02, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## বাংলাদেশকী য়ুনুসনা চাইনাগী প্রসিদেন্টগা এগ্রীমেন্ট ৯ খূৎয়েক পীনখ্রে

# য়ুনুসনা ইন্দিয়াগী এন-ঈ রিজনগী ষ্টেট ৭কী ঈশিং লম্বীগী গর্দিয়ন বাংলাদেশ খক্তনি হায়রকপদগী ৱাথোক ওইরে

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী) :** নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা বাংলাদেশকী ইন্টরিম লৈঙাক্কী চীফ এদভাইজর মুহম্মদ য়ুনুসনা মমাঙ থাগী ২৬তা চাইনাদা থুংলবা মতুংদা লৈবাক অদুগী হায়নানদা পাঙথোকপা বোঅও ফোরম ফোর এসিয়া এন্যুএল কনফরেন্সতা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাঙখিবদা নত্তনা থংনবা নুমিৎ মার্চ ২৭, ২০২৫দসু তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিংদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা চাইনা লৈঙাক্না চলাইবা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীদা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা সভেন সিষ্টরস হায়রগসু খঙনবা ষ্টেট তরেৎ অসি ইন্দিয়াগী 'লেন্দলোকদ্ রিজন' নি হায়না ফোঙদোকখিবদা নত্তনা ষ্টেটশিং অসিগী ঈশিং লম্বী লৈতে অমসুং ইন্দিয়াগী ষ্টেট তরেৎ অসিগী রিজন অসিগী ঈশিং লম্বীগী গর্দিয়নদি বাংলাদেশ খক্তনি অমসুং রিজন অসিনা চাইনাগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা খুদোংচাবা অমা ওইরকপদা নত্তনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী



বাংলাদেশকী চীফ এদভাইজর মুহম্মদ য়ুনুসনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগা উনখিবা

রিজন অমা ওইরক্কনি হায়না ফোঙদোক্লুবদগী অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা সর্ম য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনসু মহাক্কী ৱাফম অসিগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্নরক্তুনা ৱাথোক ওইরক্লে।

নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা চাইনাদা চৎখিবা বাংলাদেশকী চীফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## পার্লিয়ামেন্ট : এম পি বিমোলগী ৱাহংদা পাউখুম

# মণিপুরদা পি এম কিষান স্কিমগী মতাংদা ইরিগ্যুলরিটি খরা লৈরে, মণিপুর লৈঙাক্না কেস ১ লৌখৎলে : য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) :** হৌজিক চথুরিবা লোক সভাগী মীফমদা সভা অসিদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম পি ওইরিবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা এগ্রিকলচর অমসুং ফার্মরস ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেট মিনিষ্টর রামনাথ থাকুরনা পীরকখিবা পাউখুমদা মণিপুরদা পি এম কিষান স্কিমগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্তগী ফংবা ইনফোর্মেশনগী মতুংইন্না ইরিগুলরিটি খরা লৈরে হায়বগী রিপোর্ট একাউন্টেন্ট জেনরেল (এ জি) গী ওদিট রিপোর্টতা থেংনরে। মসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্না এফ আই আর অমা ফাইল তৌখ্রে হায়না পাউখুম্লকখ্রে।



এম পি বিমোলগী পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙবা (ফাইল ফোটো)

ৱাহং অসি লোক সভাদা এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা 'অন-ষ্টৰ্দ ক্বেশ্চন নম্বর ৪৮৩৬' কী মখাদা হংখিবনি। অদুগা মসিগী পাউখুমনা ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়রগী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়রগী মায়কৈদগী ষ্টেট মিনিষ্টর রামনাথ থাকুরনা পাউখুম পীরকখিবনি।

এম পিনা হংবা ৱাহংশিং অদুদি ওদিট রিপোর্টনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মণিপুরদা পায়খৎপা পি এম কিষান স্কিমদা লুপা ক্রোর ১০.০৩ লান্না শীজিন্নরে হায়বা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না খঙলব্রা। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরদা দিষ্টর্ব এরিয়া

### পুলিস ষ্টেশন ১৩গী জ্যুরিসদিক্সন নত্তবা মফমশিংদা চৎনহল্লকখিবা 'দিষ্টর্ব এরিয়া' শাংদোকহনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):** হৌখিবা শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসগী মায়কৈদগী থোকখিবা নোটিফিকেশন অমদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা লৈবা পুলিস ষ্টেশন ১৩গী জ্যুরিসদিক্সনশিং নত্তবা অতোপ্পা মফম পূম্নমক্তা চৎনহল্লক্লিবা 'দিষ্টর্ব এরিয়া' ষ্টেটস ঙসি (এপ্রিল ১,২০২৫) দগী হৌরদুনা অতোপ্পা থা ৬কী মতমদসু শাংথনা চৎনহল্লগনি হায়রি।

নোটিফিকেশন অসিগী মতুংইন্না দিষ্টর্ব এরিয়া চৎনহনবদা কোনশিল্লোইদবা দিষ্ট্রিক্ট ৫গী পুলিস ষ্টেশনশিং অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টতা ইম্ফাল, লম্ফেল, সিটি, শীংজমৈ, পাৎশোই অমসুং ৱাঙ্গোইনি। ইম্ফাল ইষ্টকীনা পোরোম্পাৎ, হৈঙাং অমসুং ইরিলবুংনি। থৌবালগীনা থৌবাল পি এস ওইরগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকীনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## পুলিসনা ফেসবুককী এদমিন অমা ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী থোরকপা চেরোল অমদা কুম্বী পি এসকী মনুং চনবা ৱাঙু তেরাখোং অৱাং লৈকায়দগী হৌজিক্লা জেনিমস মনাক্কী পোং লম্বী-লেন নম্বর ৩দা লৈরবা সেরাম সুরজ মীতৈ (২৫) কৌবা ফেসবুক পেজ অমগী এদমিন অমা ফারে হায়রি।

মহাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## দ্রগ ত্রাফিক্কর ৬

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):** মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা পুলিসনা কাংপোকপী পি এসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা দ্রগ ত্রাফিক্কর তরুক ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি খাইকাহাও কিপগেন এলিয়জ জোন (৪০), লেটগৌমাং তৌথাং এলিয়জ অমোন (৩৩), অবিবরাল (২৮), জিতেন খরকা (২২), এল ঐচ রানিরৌ (৪২) অমসুং লিচাও (৪৪)নি হায়রি। মখোয়দগী ফোর হ্বিলর অমা অমসুং সাপোন কেপ ১৭৪দা হাপ্লম্বা ব্রাউন সুগরশিং ফংলে হায়রি।

## হোম মিনিষ্ট্রিনা এপ্রিল ৫দা মীতৈ অমসুং কুকিগী সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংগী মীফম অমা কৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা কাঙলূপ অনীগী তমথীরবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহল্লক্নবগী পান্দমদা মমাঙ চহীদা লান শোক্লরিবা ফূরুপ অনীগী মীহুৎ (এম এল এ/মিনিষ্টর) শিংগী মীফম অমা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী পাউতাক মতুংইন্না শিন্দুনা ন্যু দেল্লীদা লৈবা মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবদা ফূরুপ অনীমক্কী মীহুৎশিং পূন্না ফম্নিনৌ য়াদবদগী মহয় য়ানখিদ্রবা মতুংদা ফূরুপ অনীমক্কী মীয়ামগী মহুৎ শিনবা সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াগদবা মীফম অমা থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্লনবা হোম মিনিষ্ট্রিনা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৯.৩৮ তারকপদা 'দেকান হেরাল্ড' পাউচেনা অপলোদ তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা ফোঙদোরকপনি।

রিপোর্ট অসিনা হায়, থা অসিগী ৫দা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবগী পান্থে থিনবগীদমক ইহান হানবা ওইনা মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপশিংগী মহুৎ শিনবা লূপশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা য়াই হায়রি।

মীফম অসি মণিপুরগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুথোক্লবা খন্ননবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) না কৌবনি। মীফম অসিগা মরী লৈননা ঙসি কাংপোকপীদা কুকি ওর্গনাইজেশনশিংগী মীহুৎশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা থা অসিগী ৫দা মীতৈগী ওর্গনাইজেশনশিংসু ইনভিটেশন পীরক্লবা মীফম অসিদা মখোয়গী দেলিগেশন অমা থাননবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী খোঙথাং অসি মমাঙ থাগী ২শুবা চয়োলদা মিনিষ্ট্রি অসিগী নোর্থ ইষ্টকী এদভাইজর এ কে মিশ্রা লাক্তুনা ফূরুপ অনীমক্কী মীহুৎশিং তোঙান-তোঙান্না উনরল্লবা মতুংদগী লৌখৎলকপনি হায়রি। অদুম ওইনমক কুকি-জো ওর্গনাইজেশনশিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা কুকি-জো কাউন্সিলনদি ফ্রী মুভমেন্ট তৌহন্দবগা লোয়ননা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ খন্ননবা চহী অমগী সিজফায়র তৌনবগী ৱাফম পুথোক্লবা লেপ্পখ্রে হায়রি।

## বি জে পিগীসু দিলিমিটেশনগী মতাংদা খন্নখ্রে এম এল এ ১৩দগী হেন্না শরুক য়ারখিদ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৭তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস সঞ্জিব খন্নানা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা মণিপুর, নাগালেন্দ, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী দিলিমিটেনগী থবক থা ৩গী মনুংদা লোইশিন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা দিরেক্সন পীখিবগা মরী অপূনবা মীফম অমা মমাঙ থাগী ২৫দা নাওরেমথোংদা লৈবা এন পি পিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবদা শরুক য়ারখিদ্রবসু ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিল ফাওবা লৈঙাক পায়রমখিবা বি জে পিগী এম এল এ অমসুং পার্টি অসিগী লুচিংবা খরগী মীফম অমা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ



থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা দিলিমিটেশনগী মীফমদা শরুক য়ারখিবা এম এল এ ১৩গী মনুংদগী খরা

লৈননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী চুথেক্তা লৈবা থম্বাল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আই আর বিগী হবিলদার ১না নোংমৈ ২ পুরগা চেনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মাও পি এসনা কোল্লিবা জুকোদা দিপ্লোই তৌবা ৪শুবা আই আর বিগী লেটখোগিন তাওথাং অপোকপা থাংসৈ তাওথাং কৌবা সাইকুল পি এসনা কোনবা মোলকোন খুলদগী হবিলদার (নম্বর ০২২০০৭২) পর্সনেল অমনা পোষ্ট অসিদগী ইন্সাস রাইফল ১, মেগজিন ৮ অমসুং এক্স কেলিবর রাইফল ১, মেগজিন ৩, এ কে ঘটক রাইফলগী মেগজিন ৪, ৫.৫৬ এম এমগী মরূ ২৪০, ৭.৬২ এম এমগী মরূ ৬২ পুরগা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা চেনখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা মাও পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর ২(৩) ২০২৫ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

## য়ু জি তরেৎ ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোলশিংগী মতুংইন্না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা সিক্যুরিটি ফোর্সনা কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি-লময়ানবা খুমনগী থৌদাম সুরেস এলিয়জ লেম্বা (৩৪) কৌবা জি রিবামগী নীংশিং খুলদগী কাদর অমা, হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতনা কে সী পি - নোয়োনগী কাদর ৫- খুরাই নিংথৌবুং লৈকায়দগী খোইস্নাম সনাজাওবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লো দিপার্টমেন্টকী ওফিশল খরগী মায়োক্তা চীফ সেক্রেটরিদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) :** কুমজা ১৯৮৭তগী লৈরক্লিবা সেন্টর ফোর ওর্গনাইজেশন রিসর্চ এন্দ এদ্যুকেশন (কোর) গী মায়কৈদগী লাইফুংবম দেবব্রত রোয়না খূৎয়েক পীদুনা মমাঙ থাগী ২৪দা চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মণিপুর লৈঙাক্কী লো দিপার্টমেন্টকী ওফিশল খরনা মখোয়দা পীবা পৱার লান্না শীজিন্নরে অমসুং অরানবা থৌওংশিং চথুরে হায়দুনা মরাল শীখ্রে হায়রি।

পূন্না লামায় ৫ পানবা চেরোল অসিনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী সেক্রেটরিদা প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট-১৯৯৩বু কুমজা ২০১৯দা এম্মেন্দ তৌখিবগী মতুংইন্না কম্মিশনগী সেক্রেটরিদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং ফাইনান্সিএল পৱারশিং পীগদবনি হায়বা য়াওরি। অদুগা এক্ট অসিগী সেক্সন ২১(৩) গী মখাদা মথৌ তাবগী মতুংইন্না কম্মিশনদা সেক্রেটরিগী পোষ্ট অমসু শেমদুনা কুমজা ২০২০দগী থম্লক্লি হায়রি।

অদুম ওইনমক য়ুনাইটেদ নেশন্স হ্যুমেন রাইটস কম্মিটিদা সিভিল সোসাইটি কোলিশন ফোর হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর এন্দ য়ুনাইটেদ নেশন্সনা জুন ৩, ২০২৪দা সবমিট তৌখিবা 'অলটর্নেটিভ রিপোর্ট' অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (লো) না হ্যুমেন রাইটসকী এক্ট অসি কুমজা ২০১৯দা এম্মেন্দ তৌখ্রবসু মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী দিফেক্টো এদমিনষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌরক্লি হায়বগী ৱাফমসু লৈখ্রবনি হায়রি।

অদুগা কুমজা ২০১০দগী ২০১৭ ফাওবা এম ঐচ আর সী ফঙ্কশনেল ওইদনা লৈখ্রবসু লুপা লাখ ৫৩.৪১বু একাউন্ট ষ্টেটমেন্ট য়াওদনা জষ্টিফাই তৌদবা মওংদা শীজিন্নরল্লে হায়বগী মতাংদা টি ঐচ বৃন্দানা কম্মিশনগী দি দি ও ওইখিবী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মণিপুরগী ৱাথোক্তা বিরেননা লৈখিদ্রবা পি এ সংমা কোখোক্লুবদগী মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর মৈ হৌনা শাওরে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরক্তুনা মখা চথরল্লরোই হায়বা ঙমদ্রিবা তমথীরবা লান, লান অসিগী মরম অমসুং মসিনা থোকহনবা থৌদোকশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেননা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এন পি পিগী নেশনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে সংমাগী লোক সভাগী স্পিকর ফাওবা ওইরমখিবা অপোকপা মপা পি এ সংমা কোৎশিন্দুনা ৱাফম খরা ফোঙদোরক্লে হায়বদগী কোনরাদ কে সংমা মৈ হৌনা শাওখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা পাউচে অমনা রিপোর্ট তৌরকখ্রে।



রিপোর্ট অসিনা হায়, মণিপুরগী ৱাথোক্তা লৈখিদ্রবা পি এ সংমা চিংশিল্লুবগীদমক মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টরনা বিরেনবু চৈখ্রে হায়বা হেদলাইনগী মখাদা তৌরকখিবা রিপোর্ট অসিনা হায়, পোলিটিকেলগী ৱাফম নাথৈরগা মীপূম খুদিংমক্না তৌগদবসি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি-চান্নবা হঞ্জিলহনবনি হায়না মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক বিরেননা ঙরাং মহাক্কী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম এক্সতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সোরেপানা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ :** মমাঙ থাগী ২৫দা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা থোকখিবা খূৎ থোক্লুবগী থৌদোক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা কে ৱাই কে এল/এম ৱাই এলগী লেফটিনেন্ট অঙোম ইঙো অমসুং প্রিপাক (প্রোগ্রেসিভ) কী লাঞ্চ কোর্পোরেল মাইবম নাওতোনবীগী মফমদা সোরেপা, কংলৈপাকনা ইকায়খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

সোশলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাককী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ ওর্গনাইজেশন) এম সী য়াইফবীনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা মমাঙ থাগী ২৫দা কংলৈপাক/মণিপুর অমদি মণিপুরগী ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং অমদি কে এন এ (বি) গী লান্মীশিংগা পূন্দুনা লেপ্তুনা চথুরকখিবা লানফমদা ইরৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা নীংতম য়াওল লান্মী কংলৈ য়াওল কন্ন লূপ/মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগী লেফটিনেন্ট অঙোম ইঙো এলিয়জ সনাতোম্বা (৩৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ চন্দ্রমনি মৈতৈ, ফয়েং ময়ায় লৈকায় অমদি প্রিপাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি, এম সী য়ুনিফিকেশননা ৱাফম খরা থম্লক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (পি দব্লিয়ু জি) এম সী য়ুনিফিকেশনগী পি আর ও চীঙ্খেঙানবনা থোরকপা তোঙান তোঙানবা চেরোল অনীদা ৱাফম খরা থম্লক্লি।

অহানবা চেরোল অসিনা হায়, এন আই টিগী রেজিষ্ট্রার কে ঐচ তোম্বগী য়ুমদা বোম থম্লম্বদু অহানবা অমসুং অরোইবা ৱার্নিংনি। এন আই টিগী চাওখৎ থৌরাংগী থাদরকপা শেনফম লান্না শীজিন্নবদা চেন্নরিবা ওফিশলশিং নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা চঙজরক্কদবনি হায়রি।

মমাঙ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## কুকি লমহেনবশিংনা মৈ থাদোকপীখ্রবা ইয়ূম অদুদি অমুক শাবা য়াই, তাঙ্গৌই ওনখ্রবা লৈখিদ্রবা ইমা-পাবুংগী ফোটোদি অমুক উবা ফংলরোই

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
সাইতোনদগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)**

মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা তমথীরবা লান চথুরক্তুনা কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা মখোয়গী টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা য়েলহৌমী মীতৈ ফূরুপ্তা অতম্ননা ওনশিন্দুনা য়ুম-কৈ মৈ থাবদা নত্তনা হাৎননবা থৌরাংলকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক সাইতোন ঙানুকোনদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেক্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৬১ শুরক্লবা সলাম শ্যামনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঐ ইশাগী খূৎলায় মতিক চানা লৈবা নত্তে। য়াবা নত্তে। লোয়ননা হৌজিক ফাওবা অসিগুম্বা লান অসি লোইশিনবা ঙমদবা লৈঙাক অসিদা করি থাজবা থমদুনা ঐখোয়বু ঙাক-শেনবীয়ু, লান হৌরক্লিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা মতৌ করম্না লমন খুমজগে হায়রুগদৌরিবনো হংলকখি।

মণিপুর লৈঙাক্তা থাজবা অমত্তা লৈত্রে। ঐখোয়গীদমক অফবা তৌবীরক্কনি হায়নসু খন্দ্রে। কৈদৌঙৈ ইশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবা ফংগদগে হায়বসিনা লাইনীং ওইরগা লৈবা নত্তনা অতোপ্পা পান্থে অমত্তা লৈত্রে। ইচা-ইমৌগা পূন্না লৈমিন্নবা ফংদবা, ইশুগী কুম্মৈ য়েংজগদবা মতমসিদা রিলিফ কেম্পতা তোখায়-তোখায় অমগা অমগা ফাওবা পূন্না লৈমিন্নবা ফংদনা লেল্লক্লি।

ইশাগী শিনফমদা ফি তুবা অমা ওইনা হৌরক্লগা শেল তান্দুনা ইমুংগী লৈত-লায়র অমদি ইচা মরি শেমজরকপনি অদুবু ইশাগী চহী য়ামশিল্লকপদগী মেছিন থৌদুনা ফি তুবগী থবক পোত্থারগা য়ুমদা ইশ্খোল কোয়দুনা ইচা-ইশুশিংগী কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরকখিবনি। মে ৩, ২০২৩দা লান হৌরকখিবা নুমিৎ অদু ঐহাক্তি ইশ্খোলদা মনা-মশিং থাদুনা লৈজবনি। নুমিৎতুগী নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপা অদুৱাইদা ইচানুপাগী মোবাইল ফোনদগী সোশল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা তোৰ্ব্বুং বাংলাদা কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা মীতৈ মচা ঈশিং হোনবা দ্রাইভর অমা ফূরকপদগী ঈৱাং হেন্না কনখৎলকপগী ভিদিওশিং উখি। সোশল মীদিয়াদা থাগৎনরকপা থৌদোক অদুগী ভিদিওশিং উবা মতুং ইকান কান্নদনা কুকিশিংনা তোৰ্ব্বুং বাংলাগী মীতৈগী য়ুমশিং থুগাই-য়ানখাইবা অমসুং মৈ থাবা হৌরকপগী পাউ মখা তানা তারকখি। থৌদোকশিং অদুগী পাউশিং তাবদগী ঐখোয় ইমুং মনুংগী মীওই পূম্নমক নুমিদাংগী চাক ফাওবা চাবা নংদনা অহিং অমা সাইতোন কৈথেলদা ময়াম পুনশিন্নদুনা লৈমিন্নখি। (মথং-মথং)

## কারনা থোম্বদা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৫৫ রোম তারকপদা থৌবাল পি এসকী মনুং চনবা খাঙবোকতা লৈবা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল মনাক্তা থোকখিবা থৌদোক অমদা লম্বীদা খোঙনা চৎলম্বা অহল অমা কার (আই-১০) এম এন-০৬/এল-১৭১০না থোম্বদা শোকপদগী কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

মহাক হেক শোকপগা থৌবাল হোস্পিটালদা লায়েংলবা মতুংদা রাজ মেদিসিটিদা পুখৎলকখিবনি। লৈখিদ্রবা অহল অদুগী মমিং থোকচোম ইবোহল মৈতৈ (৬৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ কোকলৈ কৌই, খাঙবোক অৱাং লৈকায়দগীনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

## বোম থম্লম্বগী মায়োক্তা এন আই টিগী ষ্টাফশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস) :** লম্ফেলপাৎতা লৈবা নেশনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি), মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার কে ঐচ তোম্বগী ক্যামগৈ মনীং লৈকায়দা নৌনা শাবা য়ুমগী গেট মমাঙদা মমাঙ থাগী ২৮গী অহিংদা বোম থমজিল্লম্ববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ষ্টাফশিংনা মখোয়গী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোককী মমাঙদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজংদা শরুক য়াখিবা এন আই টি, মণিপুরগী ষ্টুদেন্টস এক্টিভিটিজ অমসুং স্পোর্টস ওফিসর কে ঐচ থাংকিমনা হায়, ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫